# জর্ম্মনিগী লৈপজিগ য়ুনিভর্সিটিদা থা ৬কী ওইবা ফিজিকেল এদ্যুকেশনগী ট্রেনিং কোর্স অমা য়াওজরুবদু খ্বাইদগী লাইবক ফবনি খল্লি: দেবেন



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

## জুদোদা মীৎয়েং অমা

(হান্নগী মখা...)

ঐনা চৎচরুবা ট্রেনিংদুগী শরুক অমা ওইনা জুদোনা মরু ওইনা সবজেক্ট ওইরগা অতৈদি সাইন্স ঙাক্তুনি। জেনরেল সাইন্স ওফ ট্রেনিং মুভমেন্ট, স্পোর্টস মিদিশিন স্পোর্টস পেদাগোগিক্স, স্পোর্টস সাইকোলোজি, ষ্ট্রেঙ ট্রেনিং, স্পোর্টস মেসেজ অমসুং জর্মন লেঙ্গোইজ হায়রিবশিং অসি লোইনা তম্লকখি। ঐখোয়না ট্রেনিং চত্থরিবা য়ুনিভর্সিটিদ্দুদা, জর্মন ইদুকেটরশিং পুম্নমক ইংলিশ অমত্তা ঙাংদে। মখোয়গী লোন খক্তমক ঙাংই। মখোয়সু ইংলিস লোনসি মখোয়সু খরা তাথিবদৌনা তৌই। অদুবু ঐখোয়গী ট্রেনিংদুগদি থোমাশ কৌবা অমনা ইংলিসতা ট্রান্সলেট লোইনা তৌবী। ঐখোয়দা অর্থ হন্দাকপসি থোমাশকী মথৌ ওই।

অমরোমদা, ঐদি সাইন্সকী মহৈরোয় ওইরক্তবনা সাইন্সকী মতাং তাক্লকপদদি খরা ককঙাওনবা য়াওরকখি। হিউমেন ফিজোলোজি এনাটোমীগী স্পোর্টস মিদিশিনগী সবজেক্টগী লেকচরশিংদু পাক লৌশিনবা ঙম্লকখিদে। এম বি বি এসকী ক্লাসতা তম্বা চাউরক্লা সিক্সটি পর্সেন্ট রোম ওইরমগদবা মানলি। সাইন্সকী অকুপ-অকুপ্পা ময়ামদু মথং-মথং তাকথরকপদা, খংদবা য়াম্না হেন্দুনা পুক্নিং ব্রাবা হৌরকখি। অসুক লাপ্না ট্রেনিং কোর্সনি হায়দুনা লাক্লগা ঐবু মাইথিরগা হন্দৌরব্রনে হায়না ফাওবা খল্লকখি। অদুগা জেনরেল সাইন্স ওফ মুভমেন্ট হায়বা সবজেক্টতুসু বাইও-মেকানিক্স অমদি ফিজোলোজী পার্ট য়াম্না য়াওই। মদুসু ফিজিক্সকী কল্কুলেসন ঙাক্তুনি। ঐখোয়গী মরক্তুদা বঙ্গলাদেশ মচা অমগা, নেপালি মচা অমগা য়াওই। অনিদুনা অমুক ইংলিস করিমত্তা খংদে। লেকচর লোইরকপদা অনিদুনা অমুক ঐঙোন্দা হঙগদৌরিবনি। ঐগী অখংবদু মখোয়দা অমুক ঐনা হায়বি।

অদুগা, ঐহাক্না য়াওজরুরিবা ট্রেনিং কোর্স অদু ইন্দিয়াগী ওইনদি ঐনা অনিশুবনি হায়। অহানবা ওইনা বাস্কেট বোলগী কোচ অমা লাক্লম্মে হায়রকখি। অদুবু মহাক পাস তৌবা ঙমদনা ফেল ওইরগা চৎখি হায়না তম্লকখি। অমরোমদা, তারকখিবা পাউ অমনা ঐনা য়াওজরিবা কোর্সতু ফেল হেক ওইবদা, স্পোন্সর তৌরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফ্যরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট, গভর্মেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কোর্সতু তৌবদা চঙখিবা শেনফম পুম্নমক হন্দোকহনবনি হায়বসিনি। ঐঙোন্দা ব্রাফমদুগী মতাংদা চে-চাংনচিংবা পিরকখিবদি লৈতে। অদুমকপু খৌতক চাবা অমদি লৈখি। ঐহাক তশেংনা মাথাসু শাখি। হেক থোকপদা ইকাই-নুংশি য়ানগদবা ব্রাফমসু খঞ্জিল্লুবদা তৌফম খংখিদে। অদুক য়াম্না নুংঙাইনা লৈজরম্বা জর্ম্মনিদু ঐহাক লৈবদা নুংঙাইফম খংলকখিদে। টেন্সন য়াম্না লৈরকখি। ইংগা ইংবনে, নুংশাগী মঙালনগা তোইনা উরক্তবনে প্ররপ-প্ররপ থুনা লোইশিল্লগা য়ূমদা হনবা পাম্লকখি। কোর্স অসি মাইপাক্তবা য়াদে খল্লগা ঐহাক অহিং অথেংবফাওবা লাইরিক পাজরকখি। মতাংদুদদি ঐহাক অতোপ্পা সংসার অমদা লৈবা মীগা পাঙ্খক ওইরকখি। পুন্সিদা অমুক্তসু থেংনরক্ত্রিবা ফিজিক্সকী, কেমেষ্ট্রিগী হর্টকী ফঙ্কশন মীওইবগী হকচাংগী তোঙান তোঙানবা পার্টশিংগী মমিং মথা, মখোয়গী মথৌ লোইনমকসি অমমমতা ওইনা খংননবা, চিনফা পুনবা লাক্নবদা অহিং কয়া তুমখিদে। মীওইবা অমগী মাইদা লৈবা শরু মশিং, অদুগা মমিংশিং খংননবা নুমিৎ খুদিংগী খরা খরা চিনফা পুরকখি। অদুদগী অমুক থবাক্কী শরু মশিং, বেক বোন, শরু হুমদাং ময়ামসি ময়েক শেংনা খংননবা হোৎনরকপদুসু অরাইবা থবক্তী ওইখিদে। অমরোমদনা, জর্ম্মনি লোনগী ব্রাহে ময়াম অমা চিনফা পুনবা হোৎনবদসু ঐ য়াম্না ব্রাখি। লোনগী মতাং, সাইন্সকী তাঙ্ককসি য়ৌরকপদা ব্রাবনা খমথেংবা হায়বদু ওইখি। করিনুংগী ইশাবু অসুক য়াম্না ব্রাহন্নবা লাকচরম্বনো হায়নফাওবা খল্লকখি তঙ্খায় চল্লকপা মতমদুদদি ফনা ফজনা ব্রারকখি। ব্রাখলসি ব্রামন্দুনা তোইনা মীৎ তন্দন পাইবা হায়বদু থোকখি। পার পারগা খংবা সুকঙম ঙমদবসু অদুম য়াওরকখি।

মদুগুম্বা মতাংদুদনি ঐনা ইশাগী কোক্তা কিন কোক কোক থিঞ্জিনলগা, ইশাগী হৌখ্রবা পুন্সিবু নিংশিংলগা ব্রাখল য়াম্না নুংঙাইরকখিদবসি। লাইবক্তদি চৎলু হায়বা তম্লম্বনা, মালেমগী চাউখৎপা লৈবাকশিংগী মনুং চল্লিবা কন্ট্রিসিদা ঐহাক থুঙলরে। অব্রাংবা থাক্কী ওইবা স্পোর্টসকী লৌশিং তানবা লাক্লিবা ঐহাকসি, ব্রেনসিদি অফবা নত্তবনিনা করিমত্তা খংবা ঙমদনা ঐহাক হনবা তারব্রা হায়দুনা পুক্নিং নুংশিনা কপ্লিংবা ফাওবা পোক্লকখি। খরা লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংবা কন্ট্রিদগী লাকপা মীওইশিংদি, ক্লাস লৈতবা নুমিৎশিংদা কোইবা চৎপা, পার্টি য়াওবা তৌদুনা নুংঙাইনা মতম লেল্লকখি। মখোয় উবদসু ইশাদা খোইরাং খোইশাউনবা পোক্লকখি। টেন্সন লৈমন্দনা ঐদি পেন্থোকপা লাংথোকপসু সুকঙম ঙল্লকখিদে।

-মথং-মথং

## তরেংশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এল সী সী সীনা দি এস য়ু অমদি ব্রাই দব্লিয়ু সী-এলনা নাপসা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরন ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লংথবালগী পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা তরেংশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এল সী সী সী লিলোং চজিংনা দি এস য়ু ক্কাকৈথেল অমদি ব্রাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা নাপসা খা ইম্ফাল মায়থীবা পীখ্রে।

টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা তরেংশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক অহানবা গ্রাউন্দদা দি এস য়ু ক্কাকৈথেল অমসুং এল সী সী সী লিলোং চজিং লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু দি এস য়ু ক্কাকৈথেলনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অদুগা এল সী সী সী লিলোং চজিংনা বোল্লিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা দি এস য়ু ক্কাকৈথেলনা ওভর ১৭.৩দা ব্রিকেট লোইনা তুরগা রন ৭০ লৌখি। দি এস য়ুগী টি ঐচ তরুননা বোল ১৭তা রন ১৩, এ কে চীংতম্না বোল ১৯দা রন ১০ অমসুং এস রোমেসনা বোল ১৮দা রন ৭ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা এল সী সী সী লিলোং চজিংগী জিলাঙম্বনা ওভর ৪দা ব্রিকেট ৩ অমসুং কৃষ্ণ অমদি অকবর খাননা ওভর ৪/৪ লংবদা ব্রিকেট অমমম অমসুং সঞ্জিৎনা ব্রিকেট অমা লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা এল সী সী সী লিলোং চজিংনা ওভর ১০.৫দা ব্রিকেট ৪ খক তুরগা রন ৭১ লৌদুনা মেচ অদু এল সী সী সীনা ব্রিকেট ৬তা মায় পাকখি। এল সী সী সীগী রাকেসনা বোল ১৫দা রন ২৪ অমসুং প্রতাপনা ওভর ২০দা রন ১৪ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা দি এস য়ু ক্কাকৈথেলগী জিতেন, সোমোরজিৎ, তোম্বা অমসুং মনিনা ব্রিকেট ১/১ লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ব্রিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা এল সী সী সী লিলোং চজিংগী জিলাঙম্বনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল অনীশুবা গ্রাউন্দদা ব্রাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং নপসা খা ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদু ব্রাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌরগা নপসা খা ইম্ফালনা বোল্লিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ব্রাই দব্লিয়ু সী-এলনা ওভর ২০দা ব্রিকেট ৭ তুরগা রন ১২১ লৌখি। ব্রাই দব্লিয়ু সী -এলগী সমানন্দনা বোল ৩৬তা রন ৪১, উমাকান্তনা বোল ৩২দা রন ২৫ অমসুং প্রিয়োকুমারনা বোল ১১দা রন ১১ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা নপসা খা ইম্ফালগী ভোগেন অমদি হিমটনা ব্রিকেট ২/২ অমসুং সাইমোন অমদি মহেসনা ব্রিকেট ১/১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা নপসা খা ইম্ফালনা ওভর ২০দা ব্রিকেট ৮ তুরগা শুপ্নতগী রন ৯১ লৌদুনা মেচ অদু ব্রাই দব্লিয়ু সী-এলনা রন ৩০দা মায় পাকখি। নপসাগী সাইমন্না বোল ৪২দা রন ৩২, রতনন্না বোল ২৯দা রন ১৯ অমসুং হিমটনা বোল ১৩দা রন ১০ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ব্রাই দব্লিয়ু সী-এলগী প্রেমচান্দনা ব্রিকেট ৩, কুমারজিৎনা ব্রিকেট ২ অমসুং প্রিয়োকুমার অমদি কুমারনা ব্রিকেট অমমম লৌখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা লীগ রাউন্দগী শান্নখিবা মেচ অদুদা ব্রাই দব্লিয়ু সী এল-এলগী সমানন্দা বোল ৩৬তা রন ৪১ লৌদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

তরেংশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চত্থরকপা অমদি লীগ রাউন্দগী মরিশুবা মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক্কী অহানবা গ্রাউন্দদা মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ শান্নগনি। অদুগা নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা চেম্প খাগেম্পল্লি অমসুং নপসা খা ইম্ফাল শান্নগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, তরেংশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ফেব্রুৱারী ২৮দা চেম্প খাগেম্পল্লি অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ শান্নখি। মেচ অদুদা চেম্পনা ওভর ১৮দা ব্রিকেট ৭ তুরগা রন ১৮৯ লৌখি। অদুগা সাইক্লোননা ওভর ১৭তা ব্রিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৪ খক লৌদুনা মেচ অদু চেম্পনা রন ৫৫দা মায় পাকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা টুর্কমিনিষ্টানবু পাঞ্জল ১০-০দা থোইখ্রে




অলানয়া, মার্চ ০১ (এজেন্সী)ঃ

টর্কিগী সিটি অলানয়াদা পাঙথোক্লিবা টর্কিষ্ট ব্রিমেন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা টুর্কমিনিষ্টানগী ফুটবোল টিম্বু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১০-০দা থোইখ্রে।

মেচ অদু ইন্দিয়াগী ওইনা অনীশুবা মেচ ওইখি। অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগী টিম য়ূমশকৈশা নুমিৎতা উজবেকিষ্টানগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নহা ওইরিবী সঞ্জুনা হেটট্রিক ফংবা ঙমখি। লোয়ননা টিম মেট অঞ্জু টমাং অমদি রঞ্জনানা পাঞ্জল ২/২ চল্লবা মতুং দাংমৈ গ্রেস, সুমিত্রা অমসুং ইন্দুমতি কাথিরেসন্না পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টুর্কমিনিষ্টানবু ১০-০দা থোইখিবনি।

মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু দাংমৈ গ্রেসনা ৭শুবা মিনটতা চনখি। মদুগী মতুং হেটট্রিক ফংখিবী সঞ্জুনা ১২শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিল্লবা মতুং ৩৭শুবা মিনটতা মহাক্না পাঞ্জল অমগসু হাপচিন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ ইন্দিয়ানা টুর্কমিনিষ্টানবু পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা মখাতানা এটেক চত্থবা হেনখিবদগী অঞ্জু টমাংনা ৫১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিনখি। মদুগী মতুং টিম মেট রঞ্জনানা ৬০শুবা অমদি ৬২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা টুর্কমিনিষ্টানবু ৬-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেচকী ৭১শুবা মিনটতা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবী সঞ্জুনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মতুং ৭৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সুমিত্রানা পাঞ্জল অমা হাপচিনবা ঙমখ্রবা মতুং অঞ্জু টমাংনা ৮৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা মেচ অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৯-০দা টুর্কমিনিষ্টানবু হেনখি।

শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ইন্দুমতি কাথিরেসননা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেচ অদু ১০-০দা য়াম্না চাউনা থোইখি। নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মেচ ওইনা রোমানিয়াগা শান্নরগনি।

# কেরলা ব্লাষ্টরসকা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবা নোর্থ ইষ্ট ৪শুবা তাখ্রে

কোচি, মার্চ ০১ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ব্রাংবা ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি কোচি সিটিদা লৈবা জব্রাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা য়ূম্বু ওইখিবা কেরলা ব্লাষ্টর অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগা শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেচতা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী মরিশুবা পোজিসন তাখ্রে।


ঙসিগী মেচ অদুগী মাঙওইননা য়ূম্বু টিম ওইখিবা কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সী মেচ ১৭ শান্নবদা মেচ অনীখক মায় পাক্লগা মেচ ৮ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৭ মায়থীদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা লাকখিবনি। অমরোমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব মেচ ১৭ শান্নবদা মেচ ৭ মায় পাক্লগা দ্রো ওইখিবা মেচ ৭ য়াওখিবা অমদি মেচ ৩ মায়থীবা নংখিবা অদুনা পোইন্ট ২৮ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা নোর্থ য়ুনাইটেদ এফ সীনা কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সীগা শান্নখিবা অরোইবা আই এস এলগী লীগ মেচ অদুদা মায় পাক্তুনা হান্না লৈরম্বা পোইন্ট ২৮ অদুদগী পোইন্ট ৩ হাপচিল্লগা পোইন্ট ৩৪ ফংদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা থাক্তা লৈনবগীদমক অকনবা মওংদা শান্নদুনা কেরলা ব্লাষ্টরসকী মায়োক্তা এটেক কয়া চত্থখি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেকশিং কেরলা ব্লাষ্টরসকী শান্নরোয়শিংগী ফজবা দিফেন্স মশান্ননা বোলশিং অদু মখোয়গী গোলকিপর লান্থোকহন্দুনা পাঞ্জল ওইহন্দবা ঙমখি।

অমরোমদা য়ূম্বু ক্লব ওইখিবা কেরলা ব্লাষ্টরসকী মায়কৈদগী মখোয়সু হান্না লৈখিবা টিম ১০গী টুর্নামেন্ট অসিদা ৯শুবদা লৈরিবা অদু থাক অমা হাইগৎনবগীদমক ফনা কন্না হোৎনরবসু মখোয়গী মায়কৈদগী নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী দিফেন্দরশিং লান্থোক্তুনা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা ঙসিগী মেচ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবনা মরম ওইরগা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

লীগ অসিগী মকোক্তা এফ সী গোব্রানা মেচ ১৮দা পোইন্ট ৩৪ ফংলগা লৈরি। লোয়ননা বেঙ্গালুরু এফ সীসু মেচ ১৮দা পোইন্ট ৩৪ ফংলবসু গোল দিফরেন্সতা এফ সী গোব্রানা হেনবদগী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখি। মুম্বাই সিটি এফ সী মেচ ১৭তা পোইন্ট ৩০ ফংলগা অহুমশুবদা লৈরি। মখোয়না মথংগী মেচতা শান্নগদৌরিবা অরোইবা লীগ মেচ অদু মায় পাক্লবসু অহুমশুবা থাক্তগী হাইগৎপা ঙমলোইদৌরি।




- লৈঙাক্লা ২% শেন্দোয় কোকপীগনি নৌনা অমদি মমাঙদা লোন লৌখিবা জি এস টিদা রেজিষ্টর তৌরবা ফার্মশিংগী ওইনা
- রিটেলদা লল্লোন ঈতিক তৌরিবশিং লুপা ক্রোর ২গী কোলেটরেল ফ্রী ক্রেদিট গরেন্টি স্কিমগী মখাদা থম্লগনি
- থবক তৌবদা কোমহনগদৌরি জি এস টিগী কম্পোজিৎ স্কিম মখাদা চহী অমগী ক্বার্টর টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌবা লল্লোন ঈতিক তৌরিবশিং
- অনৌবা ঈ-কম্মর্সকী কাঙলোননা পিকনা পোৎ য়োনবা অমদি লল্লোন ঈতিক তৌবশিংগী কান্নবা পীগনি
- তঙাইফদনা ২৫% লৌবা থম্লি এম এস এম ঈগী খূৎথাংদা সেন্ত্রেল পব্লিক সেক্টর ইন্টরপ্রাইজেসশিংনা
- জি ঈ এম পোর্টেলনা কান্নবা পীরি এম এস এম ঈগী কৈথেলদা লৈঙাক্তগী ফংলিবা পূম্নমক মনুং মপান ফাওনা খুদোংচাবা পীগনি